থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লাই, রিলিজন অমসুং কোরোনা



ঙসিগী পাউদমসি ইদ্রিঙৈ, ৱামাঙ অমত্তা য়ানজ হৌগে। ঐগী নক্কবা-মরুপ-মপাংশিংনা ঐঙোন্দা তত্তনা হায়...'কোল্লমসিদা লাই থাজদবগী ৱা নৎত্রগা লাই লৈতে হায়বনচিংবা ৱাসি অমুক হন্না ইবিরক্কনু'...। অতৈগী নত্তে। লাই থাজদবা মীগা থাজবা মীগা অনীসি থাজবনা মশীং হেল্লি। তোয়না ইশিল্লক্লবদি ঐগী কোল্লমসি পানীংদবা মীগী মশীংনা হেল্লক্কনি হায়বগী ৱা'বদুগীনি। ঐনা খল্লুবনা - অইবা অমনা মথম্মোয়গী ইথিল ইবসি মশীং য়াম্বা নৎত্রগা মীচং কনবা কাঙবুগীদমক খল্লগা ইগদবা নত্তে হায়বসিনি। পূক্লিংদা ফাওরকপা ইথিল অকিবা/ চিংনবা লৈতনা হায়দোকপা/ইথোকপা/ফোঙদোকপগী নীংতম্বা অদু নৎত্রনে 'ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন' হায়দুনা কন্সটিট্যুসন'না মীপূম খুদিংমক্তা পীরিবা হক? লাইগী ৱারী শারকপদা ঐনা খ্বাইদই য়ানীংদবসি 'লাই' নৎত্রগা 'শেম্বীবা মপু' (গোদ/ক্রিয়েটর) হায়বসিগা ধর্ম্ম/রিলিজনগা মরী লৈনহল্লকপা অসিনি। লাইনা রিলিজন শেল্লমদে। লাই'দি নুপী থিদুনা মচা-মশু থল্লমদে। লাইগী মচানি হায়জবা কনাগুম্বা অমা নৎত্রগা খরনা মাগী মাগী কাঙলূপ শেম্নবা, মীওইবা মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবা 'লাইগী য়াথঙ'নি হায়জিন্দুনা লাইগী মপাউ ওইনা থাজহন্নবা কাঙলূপ শেমগৎখিবনি। অদুবু কৌই-মান্নদবা, তোঙান-তোঙানবা ধর্ম্ম/ রিলিজন! মানা হায়রম্মী/হায়রমদে খঙদবা, উবসু ঙমদবা, অমম্বদা লৈবা, খঙদবা কনাগুম্বা অদুনি - ইশ্বর/লাই/গোদ! খঙদবদুনি ঈশ্বর! মাবু খঙনবা হোৎনবদুনি - লৌশিং, গ্যান, ৱিজদম। ঐনা তমগে খঞ্জরুবা লাইগী ৱা নত্তে, ধর্ম্ম (রিলিজন) দুগী ৱাফমনি।


'আইনষ্টাইন' হায়বা, কুনশুবা সেঞ্চুরিগী খ্বাইদই চাউবা সাইন্টিষ্ট অমনি খন্নরিবদুনা হায়রম্বনি হায়বা ৱাহায় অমনা ঐবু কোক য়াম্না চিকহনখি ... 'রিলিজন য়াওদবা সাইন্স খোঙতেকপা অমগুম্বনি, সাইন্স য়াওদবা রিলিজনদুনা মীত্তাঙবা'...। ব্লাইন্দ কোল্লোৱর ওফ ফেইথ - থাজবা (ধর্ম্ম) অমদা মীত্তাঙবা অমগুম তুংইনবা হায়বা মীওই কাঙলূপ অদুনা অয়াম্বনি মালেমদা লৈরিবা মীওইবা। ঈশ্বর ফংবা/ঈশ্বরগা উনবা হায়বসি শিরবা মতুংদতা ওইথোক্কনি হায়বসি খঙনা খঙনা ঐখোয় পূম্নমক্না খুরুম্মি ঐনা নীংজবা লাইদুদা ... 'নখুয়া থম্বাল ফংহনবীয়ু'...। শিরগা শোয়দনা ফংদৌ লৈরবা, পাষ্টর/ইমাম/ পুজারি পূম্নমক্নসু হায়রবমক্তদা কনামত্তসু মাগী মনাক্তা 'ঐ হান্না চৎকে' হায়দুনা পরেং লেংদ্রিবা করিগীনো? শিরমদাই মতমদনা অমুক 'ননাই ঐবু কনবীয়ু' ... 'পুন্সি শাংবা পীনবীয়ু'... হায়না অমুক প্রেয়র/প্রার্থনা/ দুৱা তৌরিবা করিগী? অদুনদি ৱাফমসিমদি য়াম্না ময়েক শেংলে-হিংবা অমদি শিবগা ঈশ্বরগা মরী লৈনদে। মীগী মপোৎ হুরানবা অমসুং মীগী কান্নবা তৌবা - মী মখল অনীমক লাই নীংই। অনীমক লাইনা থৌজাল পী। মীওইবনা তৌরুবা ফত্তবা থবকশিং, মখোয়না লংশিনখিবা পাপশিংদু কোকপীনবা ঈশ্বর নীংলিবনি ... পাপিশিংগী মহুৎ শিন্দুনা প্রভু যিশুনা মথ্বায় কৎখিবনি ... মখল কয়াগী ৱারীনি।

অসুম্না, ঐখোয়না ঙসি হিংলিবা মতম'সি ফাওবদা থেংনরক্লিবা ধর্ম্মগী ৱারীসি মখল মথেল কয়ানি। ধর্ম্ম/রিলিজন হায়বসিবু ঐখোয়গী 'লোন'দা 'লাইনীং লম্বী' হায়নরম্লিবা, মসিদা লোয়নরম্লিবা, লীনরম্লিবা লাইগী ৱারী ময়ামদুননি। পূম্নমকসিগী মনুংদা, খ্বাইদই ঙকপা, চয়েৎ-চনৈনবদি 'হিন্দুইজম' হায়না খঙনরম্লিবা, ধর্ম্মদি নত্তবা ধর্ম্ম মখল অসিনি। মসিদা য়াওরিবা ঙক্ল-ঙক্লবা লাইগী ৱারী কয়ানি। ৱারীশিংদু পারুরগা 'ঈশ্বর অমত্তনি' হায়বসি কনানসু হায়রক্লোই। লাই মশেল মুক্ক বগী, কনবা-চাউবা তান্নবগী, মতিক মগুন চাংয়েংনবগী ৱারী'মক্তনি। ঙসি, মী মশেল/লৈবাক মশেন মূক্নরিবা, অমনা অমবু চাংয়েংনবগী ৱারী'মক্তনি। ঙসি, মী মশেল/লৈবাক মশেন মূক্নরিবা, অমনা অমবু অমগী মখাদা থম্নবা হোৎনরিব'সিমক্লি। অদুবু, মসিগী মতুং তারকপদা শেম্নক্লিবা - খৃষ্টিয়ানিতি, ইস্লাম'নচিংবা ময়ামসিনা পুমতোপ তোপ্পনি। ঐখোয় পূম্নমকপু শেম্বীবা, তৌবা ঙম্বা, পুমঙম ঙম্বা কনাগুম্বা অমা লৈ, মানা থারকপা (মচা নৎত্রগা পাউজেল্লোই) কনাগুম্বা অমনি হায়রগা নাকপাক-নাকপাক, কাঙবু কাঙবু শেম্বনি। অদুনা, মাগী মাগী কাঙলূপ'তু তাশিন্দুনা, অমত্তা ওইনা থম্নবগীদমক্তা মফম অমদা পূল্লগা, কম্মন ওইবা (ময়ামগী পূক্লিং খোনবা) ৱারী অমা লীদবা য়াদে, পাউতাক খরা পীদবা য়াদে, ৱারী কয়া শেমদবা য়াদে। অসিগুম্বা থবকশিং অসি চাং নাইনা, তুং কোইনা তৌদবা য়াদবা অমা ওইবনা উনফম/ৱা-তান্নফম/মীতিং প্লেস অমা শেমদবা য়াদে। অদুগুম্বা মফমদুনি- সাইনাগোগ, চর্চ নৎত্রগা মসজিদ! 'মন্দির' হায়বনা 'লাইগী শঙ' হায়বনি। ৱা তানফম/খুন্দিন্নফম/ লাইগী মপাউ (ৱাপাউ) শন্দোক্নফম নত্তে। 'মসজিদ মনুংদা শিবদি অল্লাহগী মনাক্তা লেপ্নমক য়ৌরবনি'কা হায়জিনবসি অল্লাহগী মপাউ অমত্তা নত্তে। 'হেভন্দা চঙনবগী অমত্তা ঙায়রবা থোঙদি দেথ (শিবা) হায়বসিনি' হায়বদুসু ওইদবনি।

অচুম্বা লাইনীং লম্বী'দি মীওইবদা কোভিদ-১৯, কোরোনাভাইরস'না হন্দক তম্বীররে। য়ূমদা, ইশা ইথন্তা কাদা নায়তোম ফল্লগা, পূক্লিং হীরি কোল্লগা ইদোম তূমিন ঐনা নীংজবা/থাজজবা লাইদুদা খুরুমজবা...খ্বাইদই চুম্বা লাই খুরুম্বগী মওংনি হায়বসি কোভিদ-১৯না তাকপীরল্লে। অহানবা ওইনা পোপ ফ্রান্সিস'না কনাসু লৈতবা ভিটিকানগী চর্চতুদা লাইশোন পাঙথোকখ্রে, মক্কাগী মসজিদকী মনুংদা লৈরিবা 'কাবা'গী অকোয়বদুসু পুমহাঙ হাঙলে। ইমামশিংনা ইরাইগী লাইশোন পাঙথোক্লবা মসজিদ'তা ময়াম পূনখিদ্রে। টিরুপতি টিরুমালা, ভৈস্নো দেবী-অক্ষরধাম-তূমিৎ ফাওবা পাইখিদ্রে। মন্দির-মসজিদ-চর্চ'তা ঈশ্বর/অল্লাহ/গোদ লেঙশিন্দুনা লৈতে, মফমদুদা লাকপা মখোয়দুতবু মহাক্না কনবীগদবা নত্তে হায়বসু তাকপীরল্লে 'কোরোনা'না।

লৌশিং পুক্কে

# কিদনিগী মরমদা খঙজিনবা য়াবশিং




হকচাংগী অহুমশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা কয়াৎনি হায়না লৌনরিবা কিদনিবু তোঙান তোঙানবা মরম খরনা অমাঙ-অতা থোকহনল্লকই। হায়রিবা মরমশিং অদুগী মনুংদা অমত্তং পনবা তারবদি হকচাংগী অৱম্বা হেনবা হায়বসিনি। কা-হেন্না নোয়বা অমসুং হকচাংগী অৱম্বা হেনবা হায়বসিনা কিদনি শোকহল্লক্লবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমনি।

খঙ-হৈরবা নেফ্রোলোজিষ্টশিংনা হায়, হকচাংগী অৱম্বা হেনবগা কিদনিগী লায়নাগা য়াম্না নক্কবা মরী লৈনৈ। কা হেন্না নোয়বগা লোয়ননা হকচাংগী অৱম্বা হেল্লবদি কিদনিদা অচৌবা পোৎলুম অমা পী। কয়াৎ অসি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপসু ঙমহন্দে। মদুনা মরম ওইরগা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সী কে দি) ওইহল্লকই।

নেফ্রোলোজিষ্টশিংনা হায়, হকচাংগী অৱম্বা হেল্লবদি কিদনিগী অৱম্বসু হেল্লি। হকচাংগী অৱম্বা হেনবা হায়বসি মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী মনুং চল্লি। মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী মনুং চল্লিবা অতৈ থৌওংশিংদি ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, দাইবেটিস অমসুং ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্সনি। কা হেন্না নোয়বগা লোয়ননা হকচাংগী অৱম্বা হেল্লবদি হৈনিংবা পোক্তবা মরম্না হকচাং শাজেল তৌনিংদে। হকচাং শাজেল তৌদবা অমদি অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা হায়বসিনসু অমুক্কা হেন্না কিদনি শোকহন্নবগী মরম ওইহল্লি।

হৌজিক হৌজিক মশাগী চহী ১০ হেল্লবা অঙাং চাদা ১৭ রোম হকচাংগী অৱম্বা হেল্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। তৌবগীবুদি কা হেন্না নোয়বা অমসুং হকচাংগী অৱম্বা হেনবগী থৌওং অসি চহী মতাং খুদিংমক্কী মীওইশিংদা থেংনরি।

রিপোর্ট অমনা হায়, ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অমদি দাইবেটিসসু কিদনি শোকহল্লক্লবগী মরুওইবা মরমশিংনি। অকোয়বগী ফীভম অমসুং ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপা মফমদা লৈবা মীওইশিংগী হক্কী ঈশিংদা এসিদকী চাং ৱাংনা য়াওই। কিদনিদা য়াওবা সোদিয়মগী চাংসু হেনগৎলকই। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা কিদনিদা নুঙ লৈবগী চাং ৱাংখৎলকই। অয়াম্বা মতমদা কা হেন্না নোয়বা অমসুং হকচাংগী অৱম্বা হেনবা মীওইশিংগী কিদনিদা নুঙ লৈবা থেংনৈ।

নেফ্রোলোজিষ্টশিংনা হায়, দাইবেটিস নাবগা লোয়ননা হকচাংগী অৱম্বা হেল্লবদি কিদনিনা ফত্তবা পোৎলম কয়া থাদোরকই। মদুনা মরম ওইরগা কিদনি শোকচিল্লকপদগী কিদনি ফেল ওইবা অমসুং কেন্সর ফাওবা ওইহল্লকপা য়াই। হকচাংগী অৱম্বনবু হেল্লবদি কিদনি শোকচিল্লক্লে হায়দুনা লায়েংবদা পাক হেক ফগৎপা ঙমদে। ট্রান্সপ্লান্ট তৌদুনা কিদনি শিন্দোকপা তারবসু হকচাংনা রিজেক্ট তৌরকই।

মতম শাংনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং ৱাংবা অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংদুনা লৈবা হায়বসি কিদনিগীদমক্তদি খুদোংথিনিংঙাই ওই। মসিগীসু মথক্তা ফত্তবা হৈনবী হেক থল্লিবমখৈ কিদনি শোল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। ফোর্টিস হোস্পিটালদা কিদনি এন্দ য়ুরোলোজি ইনষ্টিট্যুটকী চ্যেরমেন ওইনা লৈবা ডা. বিজয় খেরনা হায়, কিদনিদা মহী মরাং কায়না চঙহন্দুনা চামথোক্লবগীদমক নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেসনল কিদনি ফাউন্দেসননসু চাং নাইনা ঈশিং থকপগী ৱাফম রেক্কমেন্দ তৌবা লৈখ্রে।

হকচাংদা ভিটামিন বি-৬ অমদি ভিটামিন দি ৱাৎলগসু কিদনিদা নুঙ লৈরকপা অমদি কিদনি মাঙ তাকহল্লকপা য়াই। ভিটামিন দি ৱাৎলবদি শরুগী পাঙ্গলসু হন্থরকই। কিদনিগী লায়না লৈবা মীওই খুদিংমক ভিটামিন দি ৱাৎলবনিনা শরুগী পাঙ্গলসু শোল্লি।

মপান থোক্লিংলকপদা খাঙজিনবা তৌরোইদবনি, হক্কী ঈশিং চৎপদা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং পুথোকখি। মরম অদুনা য়াম্না তোয়না মপান থোক্লিংবা খাঙজিল্লবদি হকচাং মনুংদা অমোৎপশিং পৈশিল্লক্তুনা কিদনিদা নুঙ লৈরকপা য়াই। য়ারিবমখৈ সোদিয়ম য়াওবা চীঞ্জাক কা হেন্না চারোইদবনি। মীওইবনা নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা থুমদা সোদিয়ম য়াওই। সোদিয়ম অমসুং ক্লোরিন পুল্লগা থুম শেম্লকপনি। মরম অদুনা থুমগী চাং হন্থনা চাবা মথৌ তাই। অথুম্বা চীঞ্জাকসু হেঞ্জিন্না চাবা তৌরোইদবনি। চিনি কা হেন্না চারবদি টাইপ টু দাইবেটিস ওইহল্লক্তুনা কিদনি শোকহল্লকপা য়াই।

হকচাংগী কয়াৎ পুম্নমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোক- হন্নবগীদমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাই। হকচাং শাজেল তৌরবদি কিদনি য়াওনা কয়াৎ পুম্নমক ফীভম ফনা লৈহনবা ঙম্মী। হাইপরটেন্সন নৎত্রগা ব্লদ প্রেসর ৱাংবনা কিদনি শোকহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা চাং নাইনা ব্লদ প্রেসর চেক তৌগদবনি।

কিদনিগী মথৌদি হকচাংদা য়াওবা অমোৎপা অমদি ফত্তবশিং চুমথোকপনি। মরম অদুনা য়ু থকপা অমসুং মৈখু শীজিন্নবা হায়বসি কিদনিদা অৱম্বা পোৎলুম অমা থোনগৎপগুম্বনি। কিদনি ফনা থম্নবগীদমক য়ু থকপা অমদি মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা তঙাইফদে।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ইন্দিয়াদা হৌখিবা চহী ১০ গী মনুংদা কিদনি ফেল ওইবগী চাং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলক্লে হায়রি। মরম অদুনা কিদনিগী ফীভম ফহন্নবগীদমক নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা হকচাংগী অৱম্বা অমদি অনোয়বা হেনগৎহন্দবগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসরসু ৱাংহন্দনবা হোৎনগদবনি।

# বোরোবেক্রা পুলিসনা বরাক তুরেল লানশিল্লকপা ১৬ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বোরোব্রেক্রা পুলিসকী টিমনা থা অসিগী ১৮গী নুমীদাং পুং ৮ লোম তাবদা বরাক তুরেল লান্দুনা চঙলকপা নুপী ৬ অমদি পীক্লিবা অঙাং ১ য়াওনা মীওই ১৬ ফারে।

পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ফারবা মীওইশিং ৱাহং-পাউহং চথবদা মখোয় বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খুনদা লৈবনি। মখোয় মিজোরাম ষ্টেটতা থবক শুবা কাঙবুনি। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা অমদি ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা নুমীদাংদা লাকপগীদমক ফাবনি। মখোয়গী মথক্তা এফ আই আর ১(৪)২০২০ অন্দর সেক্সন ১৮৮/২৬৯/৩৪ আই পি সীগী সেক্সন ৫১(টু)৩৬ দিজাষ্টর এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌখি। জিরিবামগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লগা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি। মখোয় নুমীৎ ১৪ নি হোম ক্বারন্টিন তৌনবা খঙহনখি। হোম ক্বারন্টিন তৌরিঙৈ মতমদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পাউ খঙহনগদবনি। য়ুমদগী চৎথোক-চৎশিনসু য়ারোই হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# 'পোৎচৈ মমল হেনগৎপীগনু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): থবক শুফম লৈতবদগী শেল লৈরক্তবা মতমসিদা পোৎচৈগী মমল হেনগৎলকপনা লৈবা ঙমদবগী অৱাবা পীবীগনু হায়না এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট জি শিতলজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা ৱারবা মতম অসিদা গ্রোসরি দুকানশিং অমদি মনা-মশিংনচিংবা পুম্নমক কা হেন্না মমল হেন্না য়োল্লিবা অসি লৈঙাক্না তাশিন-উশিন্নদবা তৌবীগনু। চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু। লৌমীশিংগী অৱাবা অমদি নোংমগী অফংবা থবক শুরগা হিংলিবশিংদদি চানবা লৈতদুনা চরা হেনবা ফাওবা য়াওনরে। লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু। লোকদাউননা মতম শাংনা মহৈ তম্বা ফংলক্তুবা মহৈরোয়শিংগী অখন্নবা থৌরাংশিং লৈঙাক্না পায়খৎপীয়ু। মীয়াম অসুক্কী মতিক ৱানরবা মতমসিদা পোৎচৈ মমল হেনগৎপীগনু। শুরগা হিংজবা মীয়ামদদি থবক শুবা য়াদবনা শেল লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়রি।

# কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা অৱাবা মায়োক্নরিবশিংদা তেংবাং পোৎলম লেপ্তনা য়েন্থোক্নরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন লৈখিবদগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামদা মতেং পাংবগী থবক চথুরকপগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লল্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেলৌ, চনা য়াওনা মফম কয়াদা সোসল ৱার্কর মোংজম পোইরৈহেনবনা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে।

চনাদা পাঙথোকখিবা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মোংজম পোইরৈহেনবনা হায়খি, লল্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা গ্রাম পঞ্চায়টশিং অমদি লল্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলনা কোনবা মফমগী য়ুমথোঙ খূদিংদা ঙারি, থুম অমদি তিলহৌ য়েন্থোকপগী থবক চথুবা হৌরকপনি। তেলৌ অমদি চনা য়াওনা মফম কয়াদা য়েনবা হৌখ্রে। লেমহৌরিবা মফমশিং মখা তানা য়েনবগী থবক চথুখিগনি। য়ুমথোঙ লিশিং ১২ হেন্না য়েন্নবা থৌরাং তৌরি। অদুবু ইমুং অমমমদা তোঙান চাবা কয়া অমসু য়াওবা মরম্না হায়রিবা মশিং অসিদগী শরুক য়াম্না হেনগৎলক্কনি হায়না পারি।

হেনগৎলকপশিংসু শুনা পীগনি। লোকদাউননা মরম ওইরগা হৌজিক চান-থক্লবা পোৎলমগী অৱাৎ-অপা কয়া লাক্লি। ফীভম অসিদা অঙম্বা মতেং পাংবা ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপনি। লমদমসিগী ওইনদি ঙারি হায়বসিসু নোংমদা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরি। হায়রিবা পোৎলম অসি য়াওনা চান-থক্লবা আইটেমশিং অসি য়েন্থোকপনি।

মীয়ামগীদমক তঙাইফদনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মখা তানা য়েন্থোক্লবা শেম-শাগনি। হৌজিক অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা পুন্না হিংমিন্নবা অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অৱাং লৈকিন্থৈবী দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেন সী ঐচ জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লোকদাউন লৈখিবদগী অৱাবা তারবা অৱাং লৈকিন্থৈবীদা লৈবা মীয়ামদা কম্মিটি অসিগী লৈজবা ফন্দদগী য়ুমগী নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ঙারি, থুম অমদি পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে। লমশাং এ সীগী এম এল এ, এস রাজেন, পোৎশংবম জেদ পি মেম্বর লাইশ্রম বোবি, পোৎশংবম প্রধান এম মঙ্গি অমদি অৱাং লৈকিন্থৈবীগী পার্ট ৱান অমসুং টুগী মেম্বরনসু চেঙ, থাউ, তিলহৌ অমদি চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোক্লি। লৈমখোংদা লৈবা চীংগী ইচিল-ইনাওশিংনসু চীংদা ফংবা মনা-মশিং কয়া লৈকিন্থৈবী, মৈরা পায়বী অৱাং লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী পোৎলমশিং অসি পাংলকপগীদমক ঈকায় খুম্নবা উৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ব্রাঞ্চনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পি ঐচ বিতু, মহাক্কী লোয়নবী মোনিকানা পুথোক্তুনা ললাম্ফুং তখেল্লম্বম লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মতেং লৌদুনা কোভিদ-১৯গী অৱা-চৈথেং নংলিবা অশানবা য়ুমদা লৈবা রিক্সো দ্রাইভর খরদা চেঙ, হৱাই, থাউ, আলু, তিলহৌনচিংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে। লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়, লম্ফেল সুপর মার্কেট, হট্টা মিনুথোংনচিংবা মফমশিং অসিগী রিক্সো দ্রাইভরশিংনা পোৎলমশিং অসি লৌবা লাকখি হায়নসু মখা তারি।

অমরোমদা, ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমদি ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবনা খুৎশম্নরগা কোভিদ-১৯না অৱাবা তারবা মীওইশিংগীদমক অমুকোনা পীরকপা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুংদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংদা পোৎলমশিং ফংহনখি। মসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মরকসিদা, নোংমৈবুং ৱিমেন দিভলপমেন্ট মৈরা পায়বী এসোসিএসন য়ুনিট ফোরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী মতেং লৌরগা নোংমৈবুং পুরানা রাজবরি এরিয়াদা লৈবা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংদা অমুকোগা লোয়ননা লেম্না চেঙ য়েন্থোকখ্রে। লৈকায় অসিদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওই ১৫০ রোমদা অমুকোনা মতেং পীদুনা অৱাবা খরদা ওইরবসু কোকহনবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মখা তারি।

# পুলিস পর্সনেলশিংদা ঈশিং য়েনখ্রে, সী এম ফন্দদা তেংবাংখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): সগোলবন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকায়দা লৈবা অরিবম মুহিন্দ্রোনা ঙরাংদগী হৌনা মতেং পাংলকখিবগী মখা চথুরকপা ওইনা দ্যুটি তৌরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা কোয়না চৎতুনা থক্লবা ঈশিং পেকেট অমা অমদি শেল ওইনা লুপা ৫০০/৫০০ য়েনখ্রে। সী এম কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদসু লুপা ১০,০১০ মতেং পাংখ্রে।

এ মুহিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মথংগী চয়োলদসু দ্যুটি তৌরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগীদমক অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। মতেং অসি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা অৱা-অনা, অকি-তুজুং থাদোক্তুনা মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা অসিগীদমক ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎপনি হায়নসু মখা তারি।

## মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু : সেন্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): মীয়ামগী অৱাবা ফীভম কয়া মায়োক্নরিবা অসিদা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না সেরৌ য়ুথ সেন্টরগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সেরৌ অসি লৌউ-শিংউ অমদি শুরগা চাবা মীয়াম্না মশিং য়াম্না লৈবা লমনি। লমদম অসিদা এদ্যুকেসন, আর দি এন্দ পি আর, সী এ এফ এন্দ পি দি, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, হোর্টিকলচর, আই এফ সী দি অমদি লৈঙাক্কী অতৈ লোয়শঙশিংনা চাউখৎ থৌরাংগীদমক থাদরকখিবা থবক থৌরমশিং ময়েক শেংদ্রে। মীয়াম্না পেনবা ওইদ্রে। মখা তাবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা মরিক চুম্না খঙহল্লগা নীংথিনা থবক পায়খৎপীয়ু। থবক থৌরমশিং ময়েক শেংহন্নবা মরী লৈনবা লোয়শঙদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

## ফিল্মগী থৌমীশিংদা মতেং পাংলগনি : ফোরম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ১ মতেং পাংখ্রবা মতুংদা ফোরমগী মখা তাবা খোঙজং ওইনা মণিপুরী ফিল্মগী থৌমীশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি ঘনশ্যামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অকনবা লায়না-লায়ওংনা নাদুনা লৈরবশিং চাং নাইনা চারম্বা হিদাক ফংলক্তবগী অৱাবা মায়োক্নবা কয়া য়াওরি। তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অৱাবা নংলবশিং অমদি অনা-অয়েক য়াওরিবশিংদা মতেং পাংগনি। ফোরমগী কনষ্টিট্যুএন্ট মেম্বর ওইরিবা এসোসিএসন অমদি গিল্ডশিংনা অৱাবা মায়োক্নরিবা মেম্বরশিংগী অকুপ্পা মরোল ফোরমগী ওফিসতা খঙহনবীরকউ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পোৎলমশিং ফংহনবগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎলি : ক্লব

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): মীয়ামগী অৱাবা উবীদুনা এম এল এ, আর কে ইমোনা ৱেলফ্যের ক্লব অমদি ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী খুথাংদা চেঙ, হৱাই অমদি নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া ফংহনবগীদমক থাগৎপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়না ৱেলফ্যের ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি দেন্নি জোন রাজকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোরোনা-ভাইরসনা মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবদগী ৱেলফ্যের ক্লব, সগোলবন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকায়না কোল্লিবা লৈকায় অসিগী মীয়ামগী অৱা-অনা অমদি চান-থক্লবগী অৱাবা কয়া অসি খঙবীদুনা এম এল এ, আর কে ইমোনা ৱেলফ্যের ক্লব অমদি ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী খুথাংদা চেঙ, হৱাই অমদি চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম ফংহনবগীদমক থাগৎলি।

এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থৌগায় পুরম্বা এক্স-এম এল এ, ডা. কে ঐচ লোকেননা লৈকায়গী মীয়ামগী অৱাবা খঙদুনা লৈকায় অসিগী মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া ৱেলফ্যের ক্লবতা শীন্নদুনা লৈকায় অসিগী মীয়ামদা ফংহনবা অমদি লাইচৎ অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা হিদাক-লাংথক কাপথোকপীবা অসিগীদমক ৱেলফ্যের ক্লবনা থাগৎপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎলি। ৱার্দ নম্বর ৭কী কোর্পোরেটর ওইরিবা আর কে জিতেননসু লৈকায় অসিগী মীয়ামদা ঈশিং ফংহন্দুনা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংলকপা অসিগীদমকসু থাগৎলি। লোকদাউননা ৱারবা তেরা অমুদোন অখাম লৈকায়গী মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলম ফংহন্দুনা মতেং পাংখিবশিংবু থাগৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।০৪।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা;
শজিবুগী ২৯ নি পানবা।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা, য়েৎনবা অমদি অফা অপুন নংবা য়াবদগী কোকচবা অমদি য়েক্লববু লায়না নমথবা ঙমজবা নুমিৎনি। অদুবু হোয়া ফবনা চাদিং হেনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**বৃষ:** অয়েৎপা অমদি অফা অপুনবা নংবা য়াবা লৈ, হুরানবনা নরলদা মীতাবসু লৈ। অদুবু অনীংবা থবক্তি পাংগনি, লৌশিং চাওবনা নথক থোংববু ঙমজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** ৱাখল লৈনা থৌ পাংবা অমদি নরল চাওখৎপা লৈগনি। ঙসিসু ইচং থৌবনা ওইজ-ওইথক তানবদি শোইদনা মায় পাক্কনি। কাইনবগী নুংঙাইতবদি লৈরি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা চরাংনবা অমদি খুৎচাওবা তৌগনু। পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবনা মীগী ৱা ঙাইদ্রসু অরুবা থবক পাংবা খুৎলোইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** য়েৎনরম্বদি কোকচগনি, খাংবা অমদি থিবা হুম্বা কল্লু-মদুতনা য়াইফবা ওইগনি। অদুবু নতোমতা পোরম য়াৎকনু অমদি লৌশিং চাওবগী ৱা লৌবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীনা ইনশিনবা লৈগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কন্যা :** নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নগনি। মরুপ-মপাংশিংনসু চানবী অমদি অচুম্বনা শোয়দনা হেন্না মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** মীকোক থোংবা ৱাবা, অনম তাল্লগা হেন্না মীখা পোনবা য়াবা অমদি খৎনবা নংবা য়াই। হকচাংদি নুংঙাইগনি, মীরক্তা লৈরগা হেন্না নুংঙাইজবা পোক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** থৌনা লৈউ অমদি নিংথিনা ঙাঙউ, খন্থদনা থৌ পাংদবা তৌগনু। হৈরদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা ফংগনি, মায় পাক্কনি অমদি য়েৎনবা লৈররোই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** লৌশিং চাওবনা অমদি অচুম্বা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি অদুনা অরানবনা মাঙওইনগনু। মরুপ মপাংগী ৱা তাবা কান্নগনি নরল চেকশিন্দবা তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মহু চাওবদৈ চেকশিল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** ইমুং-মনুং ৱা তাননা পাংবা থৌরম পুম্বা মায় পাক্কনি। নচা ননাইগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জবা অমদি অনীংবা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজৈ। অদুবু নাপলদি তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ঈংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** অঙাংবা।

**কুম্বা :** থৌনা ফবা মতাং চাদে অমদি থাজদনা নক্কবনা মাঙহন্নবা শিল্লকপা য়াবা লৈবনা তপথৌ। হনবা লৈত্রবদি মীনা লাকচবদি ঙসিসু ঙমলোই। চরাংনবদি তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পূক্লিং ঈংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মীন :** হরাওবা অমদি নীংবা থুংবা ঙসিসু লৈগনি । অফা অপুন কোকচগনি অমদি মরুপকী মতেংনা ইকায়খুম্নবা ফংজগনি। পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংজবা য়াবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।